ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯅꯣꯕꯦꯝꯕꯔ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯲꯴꯰ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, নবেম্বর ২৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ২৪০শুবা মশীং

# থবক খনবদা শান্নরোয়শিংগী রিজর্ভেসন

## মণিপুরদসু শান্নরোয়শিংগী পূক্লিং থৌগৎনবা থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদে

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎতা মিজোরাম্না ষ্টেট লৈঙাক্কী থবক খনবদা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভেসন পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে। স্পোর্টস চাওখৎহনবগা লোয়ননা শান্ন-খোৎনববু লেমজনিংঙাই ওইবা শিনফম অমা ওইহন্নবগী পান্দমদা মিজোরাম লৈঙাক্না থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটকী পর্সনেল এন্দ এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিফোর্মস দিপার্টমেন্টনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমনা হায়খি, লৈঙাক্কী গ্রুপ বি, সী অমসুং দিগী ফম লৌবা মতমদা থোইদোক-হেন্দোক্না মশক নাইবা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভেসন পীরগনি। মালেমগী থাক্তা শান্ন-খোৎনবগী অথোই-অহেন তান্নবদা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিং, য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসনা শকখঙলবা মশান্নদা ষ্টেটকী মহুৎ শিন্দুনা নেসনল লেভেল কম্পিটিসনশিংদা শরুক য়ারুবা, নৎত্রগা ইন্টর য়ুনিভর্সিটি টুর্নামেন্ট অমসুং নেসনল স্কুল গেমসতা শরুক য়ারুবা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভেসন পীরগনি হায়রি। মশা-মশাগী দিষ্ট্রিক্টকী মহুৎ শিন্দুনা ষ্টেট লেভেল গেমসদা শরুক য়ারগা গোল্ড মেদল লৌরকপা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভেসন পীগদৌরি। ফুটবোল, বোক্সিং অমদি ক্রিকেটনচিংবা মশান্না ২৮দা থোইদোক হেন্দোক্না হৈথোই-শিংথোইরবা শান্নরোয়শিংদা খূদোংচাবা পীগদৌরিবা থৌরাং অসিগী মখাদা থবক চঙবদা চহী ৫ ফাওবা কোমথোক্কদৌরি। সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ট্রাইব ওইরগনা চহী ১০ ফাওবা কোমথোক্কনি হায়রি। লৈবাক্কী মহুৎ শিন্দুনা ইন্টরনেসনল থাক্তা শরুক য়ারুরবা শান্নরোয়শিংদা হান্না খূদোংচাবা পীগদৌরি। শান্নরোয়শিং থবক চঙনবগী মতাংদা ইলিজিবিলিটি সর্টিফিকেট পীবগী থৌদাংনা দিরেক্টোরেট ওফ স্পোর্টস এন্দ য়ুঠ এফেয়র্সনা লৌরি। দিল্লি গভর্ণমেন্টকী ওইনসু তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্ট অমদি ওটোনোমস বোদিশিংদা থবক লৌবদা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভ তৌনবা থৌরাং লৌখৎখ্রে। হীরম অসিগী মতাংদা দিপার্টমেন্ট ওফ এদ্যুকেসন এন্দ স্পোর্টসনা পুখৎলকপা প্রপোজেল অমা দিল্লি কেবিনেটনা অয়াবা পীখ্রে। শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎনবগী পান্দমদা দিল্লি গভর্ণমেন্টনা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। হৌখিবা ওগষ্ট থাদা দিল্লিগী কেবিনেটনা ওলিম্পিক্স, এসিয়ন গেমস অমদি কম্মনৱেল্থ গেমসতা শীংথানিংঙাই ওইবা পর্ফোর্মেন্স পীবা শান্নরোয়শিংদা পীগদবা ইন্সেন্টিভকী শেনফম হেনগৎহনবা লৈখ্রবনি।

কুমজা ২০১৩গী ওক্টোবর ৩ দা দিপার্টমেন্ট ওফ পর্সনেল এন্দ ট্রেনিংনা থোকখিবা ওফিস মেমোরেন্দম অমগী মতুং ইন্না লৈঙাক্কী থবক খনবদা তোঙান-তোঙানবা মশান্না ৪৩দা থোইদোক-হেন্দোক্না শীংথানিংঙাই ওইবা মওংদা পর্ফোর্মেন্স পীবা ঙমখ্রবা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভেসন পীনবা পোলিসি শেমখি। ওফিস মেমোরেন্দম অদুগী মতুংইন্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টকী দিপার্টমেন্ট অমসুং মিনিষ্ট্রি খূদিংমক্তা গ্রুপ-সীগী ফম লৌবদা শান্নরোয়শিংগী চাদা ৫ রিজর্ভেসন পীগদবনি হায়রি। তৌবতবু অতৈ-অতোপ্পা মখলগী রিজর্ভেসনশিং পূনশিল্লগা অপূনবা ফমগী চাদা ৫০গী হেল্লোইদবনি। দাইরেক্ট রিক্রুটমেন্ট তৌবা গ্রুপ নৎত্রগা গ্রুপ বিগী ফমশিংগী মতাংদদি অসিগুম্বা রিজর্ভেসন পীদে। রিজর্ভেসনগী ফমনা অপূনবা ফম মশীংগী চাদা ৫০ হেনবা য়াদে হায়বা ৱাফম অসি লৈবাক অসিগী খ্বাইদগী ৱাংবা ৱায়েলশঙ ওইরিবা সুপ্রিম কোর্টনা পীখিবা য়াথংনি। থোইদোক হেন্দোক্না শীংথানিংঙাই ওইবা শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপা ওইনা ষ্টেট খরদদি গ্রুপ এ নৎত্রগা গ্রুপ বিগী ফম লৌবদসু শান্নরোয়শিংগী রিজর্ভেসন পীরি। খূদম ওইনা হায়রবদা হরিয়ানা অমসুং পঞ্জাবনচিংবা ষ্টেট খরদা মমিং লৈরবা শান্নরোয়শিংবু দেপ্যুটি সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ওইনা দাইরেক্ট খনবগী থৌওং চথরি। খ্বাইদগী ইকোন কোনবা ওইনা হৌখিবা ওক্টোবর ১৬তা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ঈ কে পলানিস্বামিনা ষ্টেট লৈঙাক্কী তোঙান-তোঙানবা দিপার্টমেন্টশিং অমসুং পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংশিংগী থবক লৌবদা থোইদোক-হেন্দোক্না শীংথানিংঙাই ওইরবা শান্নরোয়শিংগী সীট চাদা ৩ রিজর্ভ তৌরগনি হায়না লাউথোকখি। অমরোমদা স্পোর্টসকী পাৱরহাউসনি হায়নরিবা মণিপুরগী ওইনদি শান্নরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎপীবা অমদি য়োকখৎপীবগী মতাংদা মতীক চাবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎলকপা উদে। মশানা মরন্নাই হোৎনজরগা মালেমগী থাক্তা মায় পাক্লকুবা মতুংদা লৈ পরেং হুক্তুনা এয়রপোর্টতা ওকপা, শেলগী মনা পীবা অমসুং মহৈগী থাক য়েংলগা লৈঙাক্কী থবক মচা অমা পীবদুনা স্পোর্টস য়োকখৎপনি হায়না লৌবা য়াগনি নীংদে। ঙসিগী চাওখৎলবা মতম অসিদা মীপূম খূদিংমক লাইরিক হৈতবা য়ারক্তবগী ফীভম লাক্লে হায়জরগসু লাইরিক তল্লিবা মীপূম খূদিংমক মতীক চাবা মীশক অমমম্ শোয়দনা ওইগনি হায়বা লৈতে। ঙসি-ঙসিমক মমা-মপা ওইবা কয়ানা অয়ূক্কী-নুংথিলগী শেল চঙনা প্রাইভেট টুইসন তমহল্লিবা অঙাং খূদিংমক মহৈ হৈরবা মতুংদা মতীক চাবা মীশক অমমম্ শোয়দনা ওইরগনি হায়বা কনামত্তনা হায়বা ঙমগনি নীংদে। মসিমক্না অঙাংশিংবু লাইরিক তমহল্লগুমসি হায়বমক্তি নৎতে। অদুম ওইনমক লাইরিক তম্বদদি ওইররোইদবা অদুগা শান্ন-খোৎনবদদি মীথোই মীহেনবা ঙমগদবা অঙাং কয়া মশাগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তা নমদুনা লাইরিক তমহল্লগা অরেম্বদা কাংখথাঙ তাদুনা তোকহন্দনবা থৌরাং অমা লৌখৎপা চুল্লে। য়াম্না শেংনা হায়রবদা মালেমগী থাক্তা মিংচৎ পুরকপা ঙল্লবদি 'গেমস এন্দ স্পোর্টস' হায়বসিসু লেমজনিংঙাই ওইবা অমদি অচৌবা ফমথোল পায়বা য়াবা প্রোফেসননি হায়বা মীপূম খূদিংমক্কী থম্মোয়দা থাজবা পোকহন্নবা মতীক চাবা ষ্টেটকী পোলিসি অমা লৈহনবা তঙাইফদ্রে।

## ◇◇◇◇◇◇◇◇◇ এদিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇◇

### শেম্মোক লৈগদবা মনা-মশিং থাহন্দুনা লৌমীশিংগী শেন্মীৎলোন ফগৎহনসি

ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,

লৈঙাক্কী মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিং অমদি লৌউ-শিংউগী সাইন্টিষ্টশিংগী ৱাখল-লৌশিং কয়া লৌমীশিংদা ফংহন্দুনা মতমগা চুনবা লৌউ-পথাপ শীজিন্নবা অমদি শেম্মোক লৈগদবা মনা-মশিং থাহনবা চঙই। লৌমীশিংদা ৱাখল-লৌশিং পীবা হায়বসি য়াম্না মরুওইবা অমনি। লমদম অসিদা থাবদা চুনগদবা অমদি শেম্মোকসু লৈগদবা মহৈ-মরোং মখল কয়া পাকশন্না থাহনবগী মতম ওইরে। লৌমীশিংগী ইনকম দবল হেনগৎহন্নবা লৈঙাক্কী পান্দমসু লৈবা মরম্না মসি ফংনবা হোৎনবদা লৌউ-শিংউগী লম্‌দা খঙ হৈরবা সাইন্টিষ্টশিং অমদি লৌমীশিং খূৎশম্নবগী মতম অদু লাক্লে। হৌজিক লৌশিং লোক্লবা অয়াম্বা হৌনরক্লে। লৌ লোকখ্রবা মতুংদা মখল কয়াগী শেম্মোক লৈগদবা মনা-মশিং থাহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙলসি। লৌমীশিং গ্রুপ ওইনা পূনশিল্লগা লৌউ-শিংউগী থবক পায়খৎপা নৎত্রগা লন্নাই ওইনা পায়খৎচবদা করিসু অকায়বা লৈতে।

শেম্মোক লৈবা মনা-মশিং থাবা মতমদা লৌমীশিংনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবদা চাউনা মতেং ওইগনি। মণিপুরদা মহৌশাদগী ফংজরক্লবা মনা-মশিংশিংগী মনুংদা মপান লমদা য়াম্না দিমান্দ লৈবা কয়া অমসু লৈরি। মসিগী মনুংদা শীং, য়াইঙং, লেমন গ্রাস অমদি হীদাক কান্নবা মখল কয়াগী পাম্বীশিংসু পনবা য়াই। এঞ্জাং-নাপিশিংগী মনুংদসু মীয়াম্না য়াম্না পাম্লবা মখল কয়া লৈরি। মসি মরাং কায়না পুথোকপা মতমদা লৌমীশিংনা মার্কেটিংগীদমক খূদোংচাদবা লৈরো। মনা-মশিং থারিবনি হায়দুনা মীনা পাম্লবা ৱাৎপা অমদি অহোংবশিং থাবনা লৌমীশিংদা খূদোংচদবা থেংনগনি। মরম অসিনা শেম্মোক লৈবা মখলগী মনা-মশিং লৌমীশিংদা থাহন্দুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবগী তঙাইফদবা লৈরে।

*অদোমগী- পুখ্রম্বম তোম্বীস্না শর্মা*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৮

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা লমদমসিগী শাংলবা নীংতম্বগী পুৱারীদু থূপচিল্লগা 'পার্ট সি ষ্টেট' অমা ওইনা চীফ কম্মিস্নর অমগী লৈঙাক্তগী নৌনা হৌবা তাখি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী।
(ক) ওক্টোবর ১৫দুগী মমাঙদা ওইরম্বা নীংতম্বা মণিপুরগী ইলেক্তেদ, অহানবা অমসুং অরোইবা চীফ মিনিষ্টরদু কনানো?
(খ) অদুগা ওক্টোবর ১৫দগী ওক্টোবর ১৮ ফাওবা নুমিৎ ৪নিগী চীফ কম্মিস্নর ওইরম্বা মীশক্তুনা কনানো?

২। "মীয়ামগী ফনবা অমদি নুংঙাইনবা অঙৌবা তাৎ মচা কয়া মফম মতম চানা শীজিন্নবদি কবি, উপন্যাসকার, ৱারী মখল মথেল ইবশিংনি।" ৱাফমসি 'পুন্সিদা তাৎ মচাই চন্নফম' হায়বা ৱারেংদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?

৩। "ঐগী মম্লবা পুন্সিগী অরোইবা অহিং - অনৌবা অয়ূকপু লাকখিদ্রা? অদুবু, অহিংনা নোংঙানবা ঙাইরি।" পরেং অসিনা 'অতিথি অমগী অহিং' কৌবা উপন্যাস অদুগী অরোইবা পরেংনি। অইবদু কনানো?

৪। "চীং নঙ/খূৎ য়াওরুনু/তুমিন্না ফম্মু/লেমজবগী হৌনশা।" পরেংশিং অসিনা অইবী অখোম য়ান্দিবালাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "নুংশিদরা য়েংঙু/উচানগী মৈরা/কপ্পিংদরা নঙবু উরগা তোয়না।" পরেং অনী অসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ৩০, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খূদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহারাস্ত্র পোলিটিক্স, পারা অমা তমহৌসি

**সোইবমচা ইন্দ্রকুমার**

থৌদোক ৱাথোক হায়বসি মীওইবনা লৈরিমখৈ লোইনাইদনা থোকখিদৌরিবনি। অদুগুম্বা থৌদোকশিংদু নীংথিজনা ইথোক্তুনা অতোপ্পদা তমথোরক্লবা মতমদা থৌদোক্তু ৱারী ওইরকই। কনাগুম্বা (ইন্দিভিজ্যুঅন) অমগী মরমদা অখন্ননা ৱারী মচা নৎত্রগা ৱারী অচৌবা ওইনা ইবা য়াই। ৱারী অমদি ৱারেং- খূৎই মখল অমমমনি। মালেমসিদা মীওইবনা লৈরিবমখৈ ৱারী, নৎত্রগা ৱারেংগী মচাক ৱাৎপা লৈরোই। ফজবা নৎত্রগা ফজদবা হায়বদুনা লোল শীজিন্নবা হৈবা/হৈতবগী মখা পোল্লি।

অসুম্না, ৱারেং ওইনা ইথোকপা য়াবা মখল মখলগী থৌদোক কয়া থোকখি- হৌখিবা নুমিৎ খরনিসিদা। করম্ববু খনগত্তুনা ইসিগে - খনফম খঙদে হায়বদুনি। ফ্রেমৱর্ক ওইনা চনশিল্লগা থমখিবা - নিংঙাই চাউবা নাগা অমদি মরৌ চাউবা ইন্দিয়া অনীগী মরক্তা চহী কুন্নিথোই চঙনা শানরক্লিবা ৱারীসিগী অরোইবা তাঙ্কক্কী লোইশিনবা য়ারবা ৱারোলশিং অরোইবা ওইনা ইথোক্লবা হোৎনরকপদা থোক্লকপা ৱাথোকশিং... খূত্তা নোংমৈ, বোম, তোপ পায়দুনা ইদিয়াদগী তোখায় তাজরগে, হান্নগী নীংতম্বা হঞ্জিনজরগে হায়দুনা অরোনবা লালহৌ হৌরিবা লালহৌসিগী পান্দম অদুগা মান্ননা য়াম্বেম বিরেন অমদি নারেংবম সমরজিৎ অনীনা মখূত্তা আইনগী খুৎলায় পায়রগা লন্দন তানা চৎলগা 'মণিপুর ইন্দিয়াদগী নীংতল্লে, মরমদমগী ৱাংমদা মরমদমগী লৈঙাক অমা শেল্লে' লাউথোরকপা, মদুগী মখা তাবদা, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা 'ৱাই বিরেন ভর্সেস গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া' হায়দুনা সুপ্রিম কোর্টতা কেস অমা থাঙ্গৎলকপা ... হৈরাংলিঙৈ য়ুরাংবা হায়বই থৌদৌ তারবা 'সিটিজেনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলনা মণিপুর মাঙহনগনি/মাঙহল্লোই' য়েৎনরক্লিবা মরৈ ... অসিনচিংবা পাউসিবু হুন্দোক্লগা করি ৱাবু ইদৌরিবা! ইথোক্লুবদা ৱাকায় তাগদ্রা কিজবগী ৱানি, ইনীংঙাইদি য়াম্না লৈবা জাৎনি। অসুম্না খঞ্জানরিঙৈ, আ মীরমদা থোকপা থৌদোক অমগী পাউনা শরা শল্লকই। নোংচুপ ইথং থংবা ষ্টেটতুগী পাউ, নোংপোক ইথং থংবা ষ্টেটসিদা অশাবা পাউ ওইরকই। ওক্তোবর ২১ দা পাঙথোকখিবা মহারাস্ত্র ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী ফল ওক্তোবর ২৪ দা লাউথোকখিবদু, ঙসি নবেম্বর ২৮ য়ৌরক্লবা ফাওবদা লৈঙাক শেম্বা ঙমদবগী। সীট ২৮৮ লৈবা এসেমব্লিদা ১০৫ কাবা বি জে পিনা লৈঙাক শেম্বা ঙমদবগী। সীট ৬০ লৈবা মণিপুরগী এসেমব্লিদদি ২১ খক কাবা বি জে পিনা লৈঙাক পায়খ্রগা ২৮ কাবা কোংগ্রেসনা তিংঙক তিংঙক য়েংদুনা লৈহৌখিবনি।

হৌজিক, নৈননীংঙাই ওইরিবদি - হৌখিবা চহী কয়াদগী মপাং ওইনা, কায়নদনা লাকমিন্নরবা, হিন্দু-ফন্দামেন্তলিষ্ট পার্টিনি হায়নবা 'ভারতিয়া জনতা পার্টি' অমদি 'সিব সেনা' অনীনা শেত্তোক্নরক্লিবা, অমনা অমদা মরাল শীনরক্লিবা, হুন্নদুনা ঙাঙনরক্লিবা অসি করিদগীনো? কনানা হান্না লানবনো ? অমুক হঞ্জিন্নরক্তুনা মরুপ ওইরক্লরোইদ্রা ? হায়বনচিংবা ৱাহংসিনি। পোলিটিক্সতা মরূপ লৈতে, য়েক্লবা লৈতে, ওইথোক্তবা লৈতে হায়নবা লৈ। বি জে পিগা সিব সেনাগা কায়নগনি থাজদব'সিগুম সিব সেনাগা কোংগ্রেসকা মরুপ মপাং ওইরক্কনি হায়বসিসু কনামত্তনা থাজদে। বি জে পি-সিব সেনা অনী খূৎশম্নরগা মীখল থেংনখিবা অদুদা মখোয় অনী পুল্লগা লৈঙাক শেমখিনি হায়বদুদদি কনানসু চিংনখিদে। শেম্বসু ঙমখি ইরায় লায়না, ১০৫ গা ৫৬ কা এম এল এ ১৬১। তঙাইফদনা মথৌ তাবা মশীংদগী ১৫ হেন্দোক্লবা! অদুমক্তদা য়ানখিদে, শক্তি য়েন্নবগী ৱাহৌদা। চহী মঙাগী টর্ম অদু তংখায় তংখায় চীফ মিনিষ্টর ওইনবা, অহানবা টর্মগী সী এমগী ফম সিব সেনাদা লাম্থোকপা, কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী ফমশিংসু চপ মান্ননা য়েম্থোক্লবা... সিব সেনাগী টর্মশিংদু বি জে পিনা য়াখিদে। কেবিনেটকী ফম য়েম্থোকপদা য়েৎনবা লৈত্রবসু চীফ মিনিষ্টর অমু'মুক ওইনবদি হান্না য়ানখিবা লৈতে, বি জে পিগী সী এমনা ফুল টর্ম পায়গদবনি - সিনা মখোয়গী অগ্যুমেন্ট। য়াশিন্নবা য়াদ্রবদা, সিব সেনা - এন সী পি - আই এন সী, অপুনবা পাঙ্গল ১৫৪ (৫৬+৫৪+৪৪) দা তাঞ্জা পীরকখি - ঙল্লবদি লৈঙাক শেম্মু। য়ানরমদবনা য়াশিন্নবা অরায়বা থবক নত্তবনা, কোংগ্রেস পার্টি লায়না 'হোয়' হায়ঙমখিদে। প্রসিদেন্ট রুল থম্বা তাখি। বি জে পিনা পাম্বদি প্রসিদেন্টকী লৈঙাক নত্তে, মাগী ওইবা লৈঙাক্লি। নবেম্বর ২৩, থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা দেবেন্দ্র ফদনবিস'পু সী এম ওইনা, এন সী পিগী 'অজিৎ পাৱর'বু দেপ্যুটি ওইনা ৱাশক লৌহনখিবগী দ্রামা, গভর্ণর 'ভগৎ সিংহ কোশ্যারি'গী হৈ শিংলবা দিরেক্তোরিয়েল এরেঞ্জমেন্টতুগী ৱারী তাবীনিংদবরা? আ মীরমদা থোকপা থৌদোক্লি কনানসু তানীংখিদবা, কনানসু ঙাঙনখিদবা। অদুবু, খঙমিন্নবদি ফবরা খন্না ইজরিবনি তাঙনা ফংবা কোল্লমসিদা।

বি জে পিগী ফিরেপ হোংদনা সিব সেনাগা অমুক য়াশিন্নরকপা ওইথোক্তবা ওইবনা, প্রসিদেন্ট রুল লোইশিল্লকপা, সেনা-এন সী পি-কোংগ্রেস অহুমগী কোঅলিসন গভর্ণমেন্ট অমা শোয়দনা লাক্কনি হায়বসি বি জে পিগী থাজবনি। থৌরাং অদু থুগায়নবা অতোপ্পা থৌরাং অমা শীলহৌদবা য়াদবনা, মহারাষ্ট্রগী ইলেক্সন-ইন-চার্জ, পার্টিগী জেনরেল সেক্রেটরি ভুপেন্দ্র য়াদব থাদুনা এন সী পিগী লেজিসলেসিভ ৱিং লিদর অজিৎ পাৱর অমসুং বি জে পি টিকেৎ নিরম্বা, আর এস এসপু থাজজবা এন সী পিগী এম এল এ ১২গা লোম্না উনহনখি। অরোনবা ৱারী, হৌজিক্তি অফোংবা ওইরবদু, মতাংসিদা লীজররোই তেনশিঞ্জরগে।

ইরাই নুমিৎ, নুমিদাং পুং ১১.৪৫, অজিৎ পাৱর, ফদনবিস'কা পুন্না লৈমিন্নখি। নোংঙানবগা দেপ্যুটি সী এম ওইনা ৱাশক লৌরনি। অরোনবা থৌরাং পূম্নমক দিল্লিদা ফল্লিবা বোস 'অমিট শাহ'দা লোম্না পাউদমখি। থাংজ নুমিৎকী অয়ুক য়েন্দা অঙনবা, কোরৌ মঙাল থোক্ত্রিঙৈ, পুং ৫.৪৭ মহারাস্ত্রদা থল্লম্বা প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকপগী য়াথং রাম নাথ কোবিন্দনা গভর্ণরদা থারকখি। মীয়ামদদি লাউথোকখিদে। অয়ুক পুং ৭.৫০, বি জে পিগী লুচিংবা দেবেন্দ্র ফদনবিস'পু মহারাস্ত্রগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা, এন সী পিগী লুচিংবা অজিৎ পাৱর'বুনা দেপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌবগী থৌরম রাজ ভবন্দা পাঙথোকখি। প্রসিদেন্ট রুল লৌথোকপগী প্রসিদেন্টকী য়াথংদু অয়ুক পুং ৯ দা গভর্ণরনা মীয়ামদা খঙনবা লাউথোকখি।

মখাদি পূম্নমক্না খঙবীরে পুং মরিফুগী তুং, সুপ্রিম কোর্টকী য়াথংদা টেলিভিজনগী খুথাংদা মীয়াম পূম্বা য়েংহল্লগা ফদনবিসকী পাঙ্গল চাংয়েং এসেমব্লিগী ফ্লোরদা পাঙথোকপা তারকপদা, ফম ওইনা থাদোকখি, চাংয়েং মায়োক্লখিদে। সেনাগী উধব থাক্রে'না হায় - এম এল এ ১৬৫না মহাকপু শৌগৎলে। হায়নৈ - দিসেম্বর ১ দা সী এম ওইনা ৱাশক লৌরবা য়াই। সেনাগী কেম্পতনা মখোয়না চহী মঙাগী লেংদ্রবা চীফ মিনিষ্টর ওইরগনি' হরাওরি। এন সী পিনা হায়-চহী অনী মখায়গী মতুংদা, মখোয়গী লুচিংবা অমনা সী এম অমুক ওইগনি। য়েংসি-মতমনা করি পুরকপা ! ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ৯৬

**উসম ধনঞ্জয়**

**সেপ্টেম্বর ৯, ২০০৯ :** নুপী ১০০ রোম্না এম পি সী সী ওফিসতা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৪.৩০ রোম তাবদা থোমজিল্লম্মী। মসি অপূনবা লূপনা খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্না মরী লৈননা ইবোবী চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোকউ হায়বা ঈহৌদুগা মরী লৈনবনি। পুলিসনা প্রোটেষ্ট তৌরিবা নুপী তরুকখক এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমগা উনহনখি।

গাইখাঙম্না নুপী মীহুৎশিং অদুদা ৱাফমদু এ আই সী সীগী লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীদা খঙহনগে হায়খি হায়। মহাক্না হোমসু পায়রিবা ইবোবীদা ৱাফমসি খঙহনগনি হায়।

এম পি সী সীগী প্রসিদেন্টনা অসিমসু হায়খি মদুদি চীফ মিনিষ্টর লৌথোকপা হায়বসি সেন্টরদা লৈরিবা কোংগ্রেস হায় কম্মান্দনা তৌগদবনি। মহাক্না মসিমসু হায়খি মদুদি খ্বাইরম্বন্দ থৌদোক্না মরী লৈননা করি থবক পায়খৎপা য়াবগে হায়বদু খন্নবা এম পি সী সীগী মীটিং অমা কৌগনি।

এম পি সী সীগী প্রসিদেন্ট গাইখাঙমগী পাউখুম অদুদা নুপীশিংনা পেন্দে হায়। ইবোবী ফম থাদোকহন্নবা অমসুং ফাজিনখিবা অপূনবা লূপকী লুচিংবশিং থাদোকহন্নবা অকনবা খোঙজং মখা তানা চত্থগনি হায়খি।

নুপীশিংনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মায়োক্তা পেন্দবগী খোল্লাউ লাওখি অমসুং ইবোবীনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা য়ানীংদে হায়দুনা জি এম হোল মমাঙদসু লাউখি।

টেহলকানা ফোঙখিবদুগা মরী লৈননা দি জি পিনা পীখিবা এফিদেভিট অদুগা মরী লৈননা অপূনবা লূপনা হায়খি মদুদি লৈঙাক্কী সেক্যুরিটি ফোর্সনা মীচম হাৎলিবা অসিগী মায়োক্তা মখোয়গী দিমান্দ ফংদ্রিবা ফাওবা মখা তানা চংশিনখিগনি।

চেরোল অদুনা হায়, মী হাৎপা অসি লেপত্রবদি মণিপুরগী পুৱারী থুপচিনখ্রগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংনা দিল্লিদা লৈরিবা লুচিংবশিংনা ইবোবীবু তোকহন্নবা অমসুং মীচম হাৎপা তোকহন্নবা প্রেসর পীগদবনি। ইবোবীনা মীয়ামগী ৱা থওইদে হায়বসি সেপ্টেম্বর ৮দা অৱাং খুনৌদা মীওই ৬ হাৎখিবা অদুনা তাক্লে।

**সেপ্টেম্বর ৯, ২০০৯ :** রিক্সো থৌবা অমা অমসুং টাটা সুমো দ্রাইভর অমা ১২শুবা মরাথা লাইট ইনফেন্ট্রি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী অপূনবা টিম অমা মীওই তরুক হাৎপদুদা য়াওই। মসি অৱাং খুনৌদা থোকখিবা তোঙানবা থৌদোক অনীদনি।

তরুক্তুগী মনুংদা মরি মশক খঙবগা লোয়ননা পুলিসনা কাপ্পবদা হাৎপনি হায়বদু ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা য়াখিদ্রে।

রিক্সো থৌবা অদু মহম্মদ তোম্বা কৌই, অতোমচাসু কৌই। চহী ৩০শুরে। ময়াং ইম্ফাল বেঙ্গুন্দগী লৈখিদ্রবা ইবোতোন কৌবা অমগী মচানুপানি। হৌজিক্না হাত্তা গোলাপতিদা লৈবনি। অমা অদুনা ইম্ফাল মোরে চেনবা টাটা সুমো গাড়ী এম এন ০ ১ কে - ৭০০৩গী দ্রাইভর অদুনা মহম্মদ রেহমান (৩৮), হাত্তা গোলাপতিদগীনি।

অতোপ্পা হাৎখিবা অনী অদুনা ক্ষেত্রিময়ূম গোবিন (২৮), কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তগী গৌরমনিগী মচানুপানি অমসুং ঙাসেপম দেন্নি (১৫), সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়দগী অচৌবগী মচানি। মখোয় অনী মোবাইল রিচার্জ রিটেলরসনি হায়না মখোয়গী ইমুং-মনুংগী মীনা হায়।

এস পি এন কাইলুননা থাদোরকপা চেরোল অমদদি কম্বাইন্দ টিমগী কাঙবুনা খূৎ হনবদা হাৎপনি হায়রি। নুমিদাং পুং ১০.৩০ রোম তাবদা নেসনল হায়ৱে ২গী অৱাং খুনৌ এরিয়াদা অচৎ অওক চ্যেক তৌবদা খূৎ থোক্লবদু থোকখিবনি হায়।

পুলিসশিং অদুনা মথৌ তৌদুনা লৈরিঙৈদা মোটোর সাইকল অমা টাটা সুমো গাড়ী অমনা মতুং ইন্দুনা খুম্বোংলোমদগী লাকপনি। গাড়ীশিং অদু ভেরিফিকেসন তৌনবা লেপ্পবা হায়বদা লেপ্পগী মহুত্তা মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিনবা গাড়ীদু য়াঙনা থৌগৎলগা পুলিসতা নোংমৈ কাপশিল্লকপনি হায়।

পুলিসনা হন্দুনা কাপ্পদা মোটোর সাইকল তোংবা অনী অমসুং টাটা সুমো গাড়ী তোংলকপা অহুম গাড়ী মনাক্তা শিনা ফংবনি অদুগা অমনা হোস্পিটালদা পুবগী লম্বীদা শিবনি হায়না চেরোলদুনা হায়।

চেরোলদুনা হায়, এম-১৬কী রাইফলস অমা, মরূ রাউন্দ ১০ য়াওবা মেগজিন অমা, নাইন এম এম পিষ্টোল ৩, মেগজিন অমমম, নাইন এম এমগী মরূ য়াওবা অমসুং অহাঙবা কেস মরি, টাটা সুমো ভেহিকল, ষ্টিল গ্রে মচু (এম এন ০১ এন - ০৩৫৫) সু রিকোভর তৌই হায়।

ফারবা টাটা সুমো অসি তেরা খম্নাম লৈরক্তা হৌজিক্না চীংমৈরোংদা লৈবা ফৈরোইজম অনন্দ, অপোকপগী মীংনা কুঞ্জবিহারিগী মীংদা গাড়ী অসি রেজিষ্টার তৌই হায়।

মোটোর সাইকল অদুনা কৈশামথোং হোদাম লৈরক্তা লৈবা গৌরমনিগী মচানুপা গোবিন্দাসকী মমিংদা লৈবনি হায়। ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনদি তোঙান তোঙানবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা হাৎপনি হায়। মখোয় মশা মশাগী ময়ূমদগী মাগী মাগী থবক চৎখিবনি হায়।

মহম্মদ তোম্বা অসি রিক্সো থৌবা মীনি। অয়ূক পুং ১০ অদুৱাইদা রিক্সো থৌদুনা চৎখিবদগী হঞ্জিল্লক্তবনি হায়। নুংথিলদা মাবু হাৎত্রিঙৈদা মাগী নুপীদা শকখঙদবা খরনা মাবু লাঙ্গোল এরিয়াদগী ফাদুনা পুরে হায়রমখি হায়। অদুগী মতুংদা ঈ-পাউ ফাওনখিদ্রে।

ইমুং-মনুংগী মীনা হাৎখিবা নহা অনী কে এস ঐচ গোবিন অমসুং এন দেন্নি মখোয় অনী হাওবম মরক্তগীনি। মখোয় ইম্ফালগী দুকানশিংদা মোবাইল রিচার্জ কপন য়োনবনি। মখোয় অনী নুংথিলদা পূন্না দুকানশিংদগী শেল খোম্বা চৎপনি হায়।

ইমুং-মনুংশিংনা অশিবা হকচাং অদু শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা হাৎপনি হায়দুনা লৌ হায়বা য়ারমদে। মখোয় মখোয়গী লৈকায়দা মী হাৎসিগা মরী লৈননা মীটিং পাঙথোক্কনি হায়। গোবিনগী মমা বিলাসিনিনা হায়, মাগী মচানুপা অসি ঙরাং অয়ূক পুং ৬ লোম তাবদা মোবাইল ফোনগী রিচার্জ কপন য়োনবগী পৈশা খোম্বা চৎখিবনি হায়।

মাগী করবারগা মরী লৈননা চৎপা অসি নত্তবদা মহাক য়ূমদা অয়াম্বা লৈ। মাগী নুপী অমসুং চহী ২শুরবা অঙাং থনম্মী। ঙরাংসু গোবিন হান্নগুম মাগী করবারগীদমক য়ূমদগী থোকখিবনি। মখোয়না খঙবদা মহাক লালহৌলূপ অমত্তগা শম্নবা লৈতে।

গোবিনগী মনাওনুপানা হায়, মহাক্না ময়াম্বগা পাউ ফাওনবদা মিনট ১০মুক লৈরগা লাক্লগনি হায়রকখি। মহাক্না মোটোর সাইকল অদু দরকার লৈবদগী নুমিদাং পুং ৬.৪৫ রোম তাবা অদুৱাইদা ফোন তৌবনি। লাক্তবা অদুদা পুং ৮দা কন্টেক্ট তৌনবা হোৎনবদা ফোন থাংগৎলকখিদে। পুং ৯দসু ফোন ফংখিদে। মাগী মোবাইলদা এস এম এস থাবদুসু ঙসি অয়ূক্তা দিলিভর রিপোর্ট ফংই।

মখোয়বু শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা হাৎখিবনি হায়বগী মতাংদা ইমুং-মনুংগী মীওইশিং, কৈরোই লৈকায়গী মীশিংনা শৌগৎতুনা জুদিসিয়েল ইনক্কারি তৌনবা দাবী তৌখি। ইমুং মনুংদা মতিক চাবা ক্ষেতিপুরোন পীগদবনি হায়না দাবী তৌখি। তাল্লিবা দাবীশিং ফংদ্রি ফাওবা অশিবা হকচাং লৌরোই হায়।

**সেপ্টেম্বর ৯, ২০০৯ :** ষ্টেট গভর্ণর গুরবচন জগৎ ন্যু দিল্লিদা লৈরিবদুনা ঙসি নেসনল সেক্যুরিটি এদভাইজর এম কে নরায়না উনখ্রে। মহাক্না পি এম ওফিসতা ষ্টেট অসিগী ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী মরমদা ঙরাং খঙহনখ্রবা মতুংদনি।

মতমসিদা ষ্টেট অসিদগী চৎখিবা বি জে পিগী টিম অদু ইন্দিয়ন হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরমগা সেপ্টেম্বর ৭তা উনখি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর ডাক্তর মনমোহন সিংহগদি উনদনা ইম্ফালদা হল্লক্লগনি। সেন্টরদা লৈরিবা বি জে পিনা প্রাইম মিনিষ্টর উননবা শিনবা ঙমদ্রে হায়রি।

গভর্ণর অসি সেপ্টেম্বর ৭তগী ন্যু দিল্লিদা লৈরকখিবনি। মহাক মতম খরা লৈথবা য়ারি হায়। মহাক্না ঙরাং পি এম ওফিসতা মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দর অমসুং ইন্টরনেল সিক্যুরিটিগী মরমদা খঙহনখ্রে। ঙসিনা ইন্টরনেল সিক্যুরিটি এদভাইজর এম কে নরায়নগা উনখি।

গভর্ণর গুরবচন জগৎনা প্রাইম মিনিষ্টরবু ষ্টেট অসিগী ওইরিবা লো এন্দ ওর্দরগী মরমদা খঙহনখি। শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা নহা অমা হাৎপদগী ওইরক্লিবা ফীভমদু পাউদমখি। মহাক হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরম উননবা তৌরম্বনি অদুবু য়ু এসতা চৎখিবদগী ইন্টরনেল সিক্যুরিটি এদভাইজরগা উনখিবনি।

মণিপুর লৈঙাক অসি মীয়াম অমসুং সেন্টরদগী খূৎ থোক্লবনি হায়বা শাশিন্নবা মীচম কয়া হাৎখিবা অসিগা মরী লৈননা প্রেসর কয়া মায়োক্লরি। ষ্টেটকী বি জে পিগী টিম অদু মসিগী প্রসিদেন্ট হাওবম বোরবাবু, হান্নগী চীফ মিনিষ্টর দল্লিয়ু নিপামচা, হান্নগী এম এল এ ভোরোট অমসুং ঐচ ভুবন অমসুং সেন্ট্রেল লীদরশিংগা লোয়না হোম মিনিষ্টর পি চিদম্বরম উনরগা ইম্ফালদা হল্লক্লগনি। প্রাইম মিনিষ্টরদি উনবা ফংদ্রে। হোম মিনিষ্টরগা উনবদা মখোয়না ষ্টেট অসিদা প্রসিদেন্ট রুল থম্বীনবা তকশিনখি হায়।

এস পি এফ লৈঙাক অসিনা লো এন্দ ওর্দর ফজনা চলাইবা ঙমদ্রে হায়খি। জুলাই ২৩গী শাশিন্নবা খূৎ থোক্লবদা মীচম হাৎলুবদগী মীয়ামগী ঈরাং হৌরকপদু লাকশিনবা ঙমদ্রে হায়খি। বি জে পি টিমনা হায়বদু হোম মিনিষ্টরনা মুন্না তাখি। মানসু সেন্টরনা য়াম্না কূপ্পা ষ্টেট অসিগী ফীভম য়েংশিল্লি হায়খি হায়। ●